# ৰাইটর্স এক্সপ্লোরেসন ত্রিপ টু ৱাইরি এন্দ নোংপোক ককচীং - ২

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ওজা জুগিন্দ্রোনা মমল য়াম্লবা ৱারোল থন্বীখ্রবা মতুংদা থৌরম অদুগী মখা চথরকপা ওইনা ওজা শ্যামকিশ্বরনা ৱাইরি হৌরক্লোনগী মরমদা মরীক চুম্বা পাউদম থন্বীবগা লোয়ননা মণিপুরী পুৱারীগী মচাক কয়া অসি য়াম্না কুপ্না নৈনবগী মথৌ তাবদু ফোঙদোকপীরকখি। মদুগীসু মথক্তা ইবুধৌ খল্লাংবা কনানো অমদি মণিপুর পুৱারীদা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং কয়া অসি ময়াম পূন্না থিদোকমিন্নবা মতম ওইরে হায়বগী অপাম্বদু থন্বীরকখি। মহাক্না পীবিবা ৱারোলগী মতুং ইন্না ৱাইরি অসি য়াম্না লিরবা খুনশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমনি। অহল লমনশিংনা থন্বীরম্বা পাউরৌ, ‘লৈমা য়েংলিঙৈদা খুনু কাবা’ হায়বসিগী হৌরকফম ওইরিবা চীনবুং ৱারী অসিগা মরী লৈনবা থৌদোক্তু থোকখিবা মফমদি ৱাইরি চীংজিন্দনি। ৱাইরি থোনখিবগা মরী লৈননা মিথতা য়ুম্ফম ওইবা ৱারী অমসু ওজাদগী তাবা ফংজরকখিবদুনা খোঙচৎ অদুগী মতিক ময়াই হেনগৎহনখি। লীবিরকপগী মতুং ইন্না সনামহীনা কংলৈপাক অসি শেম্বা লোইরবা মতুংদা কংলৈ ফম্বান্দি কোংলৌতোন (পাখংবা)দা পীখ্রে। মদুদগী সনামহীনা শমদোন অয়াঙবা পুথোক্তুনা হৱাই থাঙপাক থারিবা মফমদা থাজিন্দুনা মাঙ তাকহল্লম্মী। মদুদগী সমদোন অয়াঙববু চেঙকূপ/ৱাইকূপ পীজরগা থেমদুনা ফাজিন্নবগীদমক য়াংকোক অমদা চেঙকুপ খরা হাপ্লগা থল্লম্মী। সমদোন অয়াঙবনা চেঙকুপ অদু চাবগী মহুত্তা য়াংকোক্তা ৱাইরম্লগা চেনখি। মতৌ অসুম্না সমদোন অয়াঙবনা য়াংকোক্তা ৱাইরম্বগীদমক মফম অদুবু ৱাইরি হায়না মিংথোনখিবনি।

ৱারীদু তারুবদা কৈনোমা খংনীং নীংশিংলকখি, অঙাং ওইরিঙৈ মতমগীনি। করিগুম্বা মতমদা ককচীং ৱাইরিদা লৈবী ইমায়াইমা (ইমাগী মচে)গীদা নুমিৎ মরি মঙানি লৈথোকপা য়াওই। মতমদুদা মখোয় অদুৱাইগী ইমান্নবীশিংগা চীন্দা পাউদানবা মতমদা “ৱাইরি ৱাইকুপ চাবী” কল্লক পেনখৈ হায়, ৱাহৈ অহুমদু মখোয়গী অশাউবীনি। মতৌ অসুম্না মফমদুগা ককচীং ৱাইরিগা মরী অমা লৈনরম্বা য়াবগী খুদম চাংদম ময়াম অমা ফংবা ঙম্বসি লাইবক ফবনি। নুমিৎসিদা ককচীং ৱাইরি অসি মফমদুদগী হোংলকপা ওইরম্বা য়াবগী থাজবা অদু থন্বীরকই। নৈননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি ওজা জুগিন্দ্রোনা তাকপীবগী মতুং ইন্না হান্না চীঙ্গোন হায়রম্বা হৌজিক্না ৱাইরি হায়রিবা মফম অুদা লাৎলিবা উমং লাই অদু মোন্দেবা কৌই হায়বসিনি। অদুগা হৌজিক মণি য়াইস্কুল হায়না খঙনরিবা মফম অদুগী লাই অদুনা পুথিবনি। পুথিবা লাৎপগী মরম তাকপীবদা ৱাইতোনগী জুরিসদিক্সন মনুংদা লৈবগীনি হায়। ককচীংগীনা ইবুধৌ খল্লাংবা লাৎলগা মফমদুদা লাৎলমদবগী মরম থিজিনবা মতম ওইরে হায়নসু ওজা শ্যামকিশ্বরনা ফোঙদোকপিরকই। মতৌ অসুম্না তেল্লবা মতম খরদুগী মনুংদা মমল য়াম্লবা মচাক ময়াম খোমদুনা পুরকপা ঙমখি। নোংপোক ককচীংদসু থৌরম অমা লৈবা মরম্না থাদোক্লীংদা থাদোক্লীংদা মফমদু থাদোকপা তারম্মী। লমদমদু তুং ওইনরল্লে, অদুবু ককচীং ঈরেল, ৱাইরি পাৎ, ৱাইরি চীংজেন্নচিংবদু মীত্তা শঙ শঙ উদুনতা লৈরম্মী। করিগীনো খঙদে, মফমদু থাদোক্লম্বদো ইশামক্কী পোকফম শাৎফম ইখুঙ্গং থাদোক্লম্বদৌনা পূক্নিংদা ফারকখি। মীওইবগী মপোক লাংওন হায়বদো তশেংনমক লৈবা তারবদি লাংওন অমদদি খুন অদুদা শোয়দনা পোক্লমগদবোই নীংই। মমাঙথক্তা অমুক্তা চৎখিদবগী, অসুক কুইবসে কৈদৌরিগে হায়বগী নীংঙমদবা ফাওরকই।

নুংথিলগী পুং অমা মখায় খরা হেল্লে, ঐখোয়না নোংপোক ককচীংদা থুংলুবদা। ইম্ফালদগী নোংপোক্লামদা কিলোমিটর ২২ রোম চৎলগা লৈবা মীশিং য়ামদবা পিক্তক তৌবা খুন মচা অমনি। মীশিং ৫০০ য়ৌফাত্রবসু মালেমদা মণিপুরবু শক তাকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা কয়াগী মনুংদা অমা ওইরিবী মমিং লৈরবী ৱেটলিফ্টর শান্নরোয় পদ্মশ্রী সাইখোম মীরাবাই চনুগী পোকফম শাৎফম্নি, চাউথোকচনিংঙাইনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবনি। অহল লমনশিংনা থন্বীরম্বা ককচীং খুন্থোক্লোনগা মরী লৈনবা মচাক কয়াগী মতুং ইন্না নোংপোক ককচীং কাঙবু অসি ককচীংদগী হোংখিবগী ওইথোকপা লৈ। থেংনজরকপা খরদা ককচীং কমেং হায়না থন্বীবসু য়াওই। অদুবু মফমদুদা চৎলুবা মতমদা খঙলকই কমেংনা তোঙানবা খুন অমনি, খুল্লোন্নবা ওইবদুদা কনাগুম্বনা মিংগৌ পুনখিবা ওইরম্বসু য়াই। কম্যুনিটি হোল অমগী মপা খরা হেন্দোক্লগা ঐখোয়বু পুবীরগা কোয়চৎ চৎলিবা বস অদু খাম্মী। কম্যুনিটি হোল অদুদা মী খরা লৈবা উই। খুনগী ওইবা মীফম লৈবমাল্লে খল্লুই। কাইনথংদা খঙলকই, ঐখোয়গী থৌরমদু পাঙথোক্লবা খুঞ্জাশিংনা শীনবি লাংবীরম্বনি। “লাই হান্না খুরুম্লুসি” হায়নরকই। বসতগী কুমথরকপদা খঙলকই, বস খাল্লিবদু ইবুধৌ খল্লাংবগী লাইবুং মপামক্তনি। ইবুধৌগী লাইশঙ উবদা তুং চুংখিবা খঙহৌদে। হৌরকফম তিন্নবা ঐখোয়গী ঈ মরী তিন্নবা ইপা-ইপু, ইমা-ইবেন, ইচিন-ইনাও, ইবুং ইপ্পানচিংবা খুঞ্জাশিংনা ঐখোয়বু ঙাকপি শেনবীবগা লোয়ননা নাউয়োক নাউকোনবীরিবা ইবুধৌবু লাইনীং পরৈ চেৎনা লাৎপীরম্মী। হোলদা চঙদ্রিঙৈদা সুনিতা, সুনোলতা, শান্তিবলা, ইচেহন জসুমতিখোয়না হায়রকই, “কাব্রং মুগাগী ফি ফজবা শাহৌই, ঐখোয়গীদি লৈননবা শীংনরল্লে” ঐ মখোয়না হায়বদু কয়া থওইরুদে। মহৌশানসু লম কোয়বা চৎলগা পোৎ পঙলৈদা লৈবসি কয়াসু হৈনরক্তে। অদুবু হায়রিবা শিনফম অদুগী মতেংনা খুন অদুগী নুপীশিংনা শেন্মীৎলোন্দা মায়পুনবা থৌদাং লৌরি হায়বা খঙলকপা মীৎকুপ্তা মখোয়বু ঙমখে লৈতনা থাগৎনীংবা পূক্নিংদা ফাওরকখি। খুরা গৌরচন্দ্র, দিরেক্টর, পিপলস ম্যুজিম ককচীংনদি তত্তনা হায়খ্রবনি, হায়রিবা ফি অসি পাল্লবদি নোংপোক ককচীংদা চৎসি হায়না। মানা হায়বদু তশেংনমক অচুম্বা ৱাফম ওইরল্লে।



নোংপোক ককচীংদা লৈবা ইবুধৌ খল্লাংবগী লাইশঙ

নোংপোক ককচীংগী মরমদা ৱারোল থন্বা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমদু য়াম্না মচু তানা পাঙথোকখি। থৌরম হৌবা মতমদা পুং অনীমুক তারে। হুইরেম নাওন, পুখ্রম্বম অপাবী, নেপ্রম জিলা, নোংথোনবম মোহোরি, পুখ্রম্বম কুঞ্জো, নাওরেম বীরমঙ্গল, য়েংখোম কেংবা হায়রিবা ওজা তরেৎনা ময়ায় তাংবন্দা লেংশিনবীখি। লাইশ্রম ইশাতোন মীতৈনা তরাম্না ওকচবগী ৱারোল অমদি ডা. রাজেন্দ্রনা নুংগী ওইবা ৱাফম থন্বীরবা মতুংদা নোংপোক ককচীং খুন্থোকখিবগী মরমদা হুইরেম বিমোল মীতৈনা মরীক চুম্বা পাউদম থন্বীখি। মহাক্না থন্বীখিবা ৱারোলগী মতুংইন্না ইহান হানবা ওইনা পুখ্রম্বম অমসুং ময়াংলম্বম হায়বা শাগৈ অনী অসিগী ইপা ইপুশিংনা ককচীংদগী লাক্তুনা অমদি নাওরেম, য়েংখোম অমসুং হুইরেম শাগৈ অহুম অসিসু অতোপ অতোপ্পা মফমদগী লাক্তুনা খুন্দারখি। লৌ উবা, শীং য়ানবা, ঙাফাবনচিংবা শিনফমশিং অসিদা নুপী নুপা খায়রমদে, মরু ওইবা শেন্থোক লম্বী ওইরম্মী। লৈঙাক্কী থবক পায়বা মীসু লৈ। লিংজেন মান্নবা শূবা নোম্বা কনবা খুঙ্গংনি। লুহোং খোদোং, শিবা নাবগী থবক থৌরম লাকপদা অরৈ লৈত থিদনা ইমুং খুদিংমক চপ মান্নবা শেন্থং পুখৎনদুনা থৌদোক থোক্লিবা ইমুং অদুদা মতেং পাংই, ফিদম্নিংঙাই ওইবা লোনচৎনি, য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবদি খুন অদুগী নুপীশিংগী মরু ওইবা শিনফম ওইরিবা কাব্রং মুগাগী ফিশা লোনশাগী থবক্তুনি। থবক অসি হৌরকখিবসি ঙসিদগী চহী কুনমুক্কী মমাঙদগীনি হায়। কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদগী ময়াংলম্বম নিংঙোল অমা (হৌজিক্তি তাইবংপান থাদোকখ্রে) খুন্দুদা ময়ুম পাল্লকখি। মহাক্না মফমদুগী নুপীশিংদা শিন্তাক শিন্দম্বীদুনা শিনফম অসি হৌদোকপীখিবনি। ঙসিদি শিনফম অসি অদুক্কী মতিক চাওখৎলে মদুদি মখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা নুপীশিংনা ময়াপুনবা থৌদাং লৌবা ঙম্লে। মসিনা শেল থুমগী ফিভমসু অদুক্কী মতিক ফগৎহল্লে হায়না পাউদম্বীরকই। থোইদোক হেন্দোক্না নুংঙাইজরিবদি লৈঙাক্কী ইন্দষ্ট্রি লোইশঙনসু নোংপোক ককচিংগী ফিশা লোনশাগী থবক অসিবু শক খঙবীদুনা পূক্নিং থৌগৎপিবদুনি।

পারী পুরী, ঈ মরী খোঙ্গুল লীবা অমদি শকখঙ মায়খঙনবগী খোঙচৎ অদুগী মনুং চনবা নোংপোক ককচীংগী থৌরমদুদা মথেল অমা ওইনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্তুনা মীওই ২১না মশা মশানা ইজবা শৈরেং পাথোকখি। মতৌ অসুম্না নুমিত্তুগী থোঙচত্তুদগী মাঙবা তাবা নাইররোইদবা লন ময়াম অমা ফিগাউদা চেকশিন্না য়োমদুনা পুরকখি। মতুং থেংখাং কয়ারক্তা হন্না হন্না উনদুনা অকাউবগী লৈরোন চনখ্রগদবা কয়াবু থিদোকমিন্নদুনা ঐখোয়গী পুৱারী মাঙহন্দনবা হোৎনমিন্ননিংবগী অপাম্বদু খুন অনীগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকপিরকই। ঐখোয়গী পুৱারী মাঙহন্দনা থন্বা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী থৌদাংনি। ●

# নাওরিয়া ফুলো : ঋষি অমা

- এলাংবম দীনমনী -

অপোকপা লাইনীং লোনচৎ হৌদোক্তুনা য়াম্না পাক শন্না অমদি চীংলেম্না শন্দোক্লম্বা মৈত্রবাক্কী নিংথেম কুলচন্দ্রগী মজা ইবুংঙো টিকেন্দ্র ধবজনা ‘লাইনিংহন’ হায়বা মিংথোল পীদুনা ইকাই খুম্নবিখিবা নাওরেম ফুল (কুমজা ১৮৮৮-১৯৪১) মণিপুরী লোল অমদি নাৎকী লমদাংদা নুঙয়াইনি। মণি হায়বা য়ারবা মীওইনি। কাছারদা পোকপনি। মহাক্কী মবুধৌশিংদি মণিপুরগী মথংশিৎনা হৈনৌখোঙনেম্বী, থাংমৈবন্দ, ককৱা, নামৈরাকপম লৈকাইদা লৈরম্বনি; লৈবাক্কী ঈরাংদগী মপান্দা লৈখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈদা য়েংবদা ফুনৈন্দ্রেনা খেৎপগুম নীংথিজৈ হায়দুনা মপুবোক্না ‘ফুনৈন্দ্রে’ হায়না থোনখি। স্কুলদা ‘ফুলসিং’ হায়না মিং চনখি অদুগা ময়াম্না কৌনবনা ‘ফুলো’নি। অনৌবা মতমগী মীনা কৌনবনা - ‘লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো’ নি।



ফুলো য়াম্নমক নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদা পোকপা নত্তে। নহা ওইরিঙৈদগী ইমুংগী কুপনোমদা তেংবাংলকই। ষন শজিক হাপ্পা, ষনজাবুংদা শেল্লুবা লোয়ননা থাপ্না স্কুল চত্তুনা লাইরিক তম্লুবা অসি থাফদ্রবা থৌদাং ওইনা লৈখি। লাইকির য়াম্না ফনা হৌবনি। হৌবদগী ছাত্রবৃত্তি অদুম ফংদুনা লাকখি। ইমুং য়েংবা অমদি মশা শেন্বা, নীংথিনা হৈখিবা মীনি। তুংগী লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো ওইরক্কদবা নহা ওইখিবনি।

খুদোংচাবা ৱাৎপদগী লাইরিক য়াম্না তমখিদে । অনকপদা লৈবা স্কুলদা ওজা ওইনা থবক তৌবা হৌখি। খুদোংচাবা ফংবদগী দি সী ওফিসতা কেরানি ওইনা থবক চঙখি। লুপা ২৫ তোলোপ ফংই। মতমদুদা য়াম্বা পৈশানি। মতুংদা অমুক খুদোংচাবা অমা থেংনবদগী পুলিসকী এস আই ওইনা থবক চঙখি। পুলিস ওফিসর ওইরিঙৈদা থবক মফমশিংদা মীওই কয়া থেংনরকখি অমদি থৌদোক কয়া অমসু থেংনরকখি। থৌদোকশিংগী মরক্তা থাজরবদি ঙক্কদবা কয়াসু য়াওরি। অমনীদং পল্লবদা - রঙ্গিয়াদা লৈরিঙৈ উমং অমদা চহী চহুম শুরবা মীতৈ/মৈতৈ অহল অমা উনখি। খোংনাং থাবনি হায়নৈ; অমিনগাওদা লৈরিঙৈদা ইবুধৌ পাখঙবা শক্তম্নরবা লিন থেংনখি অদুগা অমুক্না মীতৈ/মৈতৈ নুপী লাইরেম্বী অমা থেংনখি। থেংনবা অমদি উনরুবা পূম্নমক মৈতৈগী/মীতৈগী লোল অমদি নাৎকী মরমদা থিজিন্নবা অমদি ফংলকপদু শন্দোককে থৌইনশিন পীরম্বদীনা তৌই। মৈত্রবাকপু য়াম্নমক নুংশিজবা ফুলোনি।

মীতৈ/মৈতৈ লৈবাক অমদি মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকীদমক নাওরিয়ানা শীংথাবা য়াবা থবক ময়াম অমা তৌরম্মী। থাগৎনিংঙাইনি অনী/মরিদং অমুক পল্লবদা মৈত্রবাক অমদি মৈতৈগা মরী লৈনবা লাইরিক কয়ামুক ইরম্মী। ইরাৎ থৌনীগী মন্ত্র কয়া, ঈশৈ কয়া য়াওরি। ফুরুপ অমদি নাৎকী মশকপু য়াম্না ৱাংনা লৈ হায়বা উৎপনা মপুং ওইবা মওংনি। চাং নাইনা ময়াম কৌরগা মীতৈ/মৈতৈ অমদি মৈত্রবাক্কী মশক মওং তাহনবগী থৌরম পাঙথোকই। মৈত্রবাক্তা অমুক্তা য়ৌজদ্রিবা কাঙবুনা মহাভারত, রামায়ন তাবদৌ তানৈ। অশেংবা মহাভারত, রাময়নসু মমুদ তানা পাই অমদি খঙই। বেদ পুরান ময়ামসু পাদুনা ময়েক শেংনা খঙনবা অমদি মতাং চাবদা ময়ামদা খঙহন্নবা লাক্লখিবা অশেংবা মায়চৌ অমনি। নুংঙাইরিবা অমনা অমুক ‘য়েলহৌ ময়েক’ হায়না খঙনবা মীতৈ/মৈতৈ ময়েক অমসুং (কোক, শম, লাই নত্তবা) হৌদোক্লম্মী। হৌজিক্কী মীতৈ/মৈতৈ ময়েক্তা শীজিন্নরিবা মশিং হায়বদি (১, ২, ৩ নচিংবা) অসি য়েলহৌ ময়েক্কী মশীংনি হায়নরি। (মসি কদায় ফাওবা চুম্বনো হায়বদুদি খঙদ্রি থিজিনখিবা তারি।)

লাইনিংহন ফুলোগী চাউরবা ময়েক নাইবা থবক অমনা অনৌবা লাইনীং অমা ওইনা লৌবা য়াবা ‘অপোকপা’ হায়বা অমা হৌদোক্লম্বসিনি। লাইনীং অসিদা অপোকপবু ঈরাৎলি। অপোকপা হায়রিবসি তেংবানববু শেম্বিরিবা ঈশ্বর অদুবুনি -

তেংবানববু পোকপা অপোকপা হায়গনি
তাইবং মীয়ামখিবিকনা অপোকপবু
শোনগনি।

পূম্নমক পোকপিবা হায়বদি শেম্বিবা ঈশ্বর মাবু ঈরাৎপনা লাইনীং অসিগী মপুঙনি। ঈরাৎপা অসিদা তৌগদবা অফবা ময়াম পীরি; লোয়ননা তৌরোইদবা ময়াম অমসু পীরি। মীওইবদা কান্নরবা ৱাফম ঙাক্তনি লৌবা য়াই।

লাইনীংবা হায়বসিগা লোয়ননা তাইবঙগী লৌশিং ময়াম অমা খঙলি উরি। লাইরিক ময়াম অমা ইথোক্তুনা লাচনদুনা থল্লি। তাইবঙগী লৌশিং লৈরবা ৱাখল ময়াম থম্মোয়দা অমদি থবক্তা পুরগা লাইনীংদুনা হায়বদি ধ্যান তৌদুনা ফল্লি। মসিদি মুনি হায়বদি ঋষি অমগী থৌওংমক্নি। অদুনা লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোদি ঋষিগী থাক্তা লৈরবা মীওইনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ইন্দিয়াদা তিল্লবসু খুন্নাই অসিগী কলচরেল মকোক্তি ইনিংথৌনা অদুম ওইরি। হৌজিক ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ওইরি। মহাক মহারাজ বুধচন্দ্রগী মশুশিংনি।

(ক) মহারাজ বুধচন্দ্র শোক কয়াদা থূপখিবগে?

(খ) ইনিংথৌ লৈশেম্বগী রানিগী মমিং করি কৌবগে?

২। “পৃথিবী অসে অকনবগীনি/মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে।” ৱাফমসি রা: কু: সুরেন্দ্রজিৎনা হায়রম্বনি। অইবা অসিনা পুথোক্লম্বা চেফোঙ অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৩। “নঙদি থৌগন্নবগী মশকনি/ইকায়খুম্নবৈ লৈ পরেং হুক্লফমনি।” পরেং অনী অসিনা কবি নহা ৱাংথোই খুমন্না নুপীবু থাঙ্গৎতুনা ইরিবনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “নঙগী নফমদা ইনৌতা নৌই ঐ/অদুনা/নঙগী মুর্ত্তি লিশীং-লিশীং/শাবা তাই/...কিন্থখিবা খুদিং।” পরেংশিং অসিনা ‘অহাংবা কা অমসুং চিঠি’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুগী ‘আশা’ কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। নহা অইবীদু কনানো?

৫। “ঈপাক্তা মঙায়রে, হিনাউদি লৈতরে/ঙল্লরোই ঐদি নতুং ইনবসু/চৎলোকো চান্নবী পন্থুংদু তম্না।” পরেংশিং অসিনা ‘ঐ ঈশৈ শৈরেং’ কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## এ ফোর চেনা অমগীদমক

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ঐসে শাউখিদবা য়াম্না কুইরবনি অদুবু নহান নোংমদি ওন্থোক্না শাউনীংবা নুমিৎ অমা থোক্লুরে। ঐগী ক্রেদিট কার্দ লৌনবগীদমক থা তরুক্কী বেঙ্ক ষ্টেটমেন্ট পুরকউ হায়রকপদগী য়ু বি আই ইম্ফাল বাঞ্চতা চৎলি। হেক কাখৎপগা ঐগী পাসবুক্তু অপদেট তৌরে অদুগা ঐনা হংই বেঙ্ক ষ্টেটমেন্টসে কদোমদগী লৌগদবনো? য়াম্না য়াঙনা মীওইদুনা খুম্লকই, ‘খঙদে’। ঐগী মীহুলসে অদুদগী অদুম কাওবা হৌখ্রবনি। ঐনা এ নখোয়না খঙদ্রদি কনানা খঙদোইবা হায়রগা মথং মথং হংই। অহাঙবা ফম্ফম অমা লৈরম্মী। মদুদা তৌগদবনি হায় থংনবদুনা। মমাঙদা কয়াসু থেংনখ্রে। ৱা অমত্তা হংবদা নীংথি নুংঙাইনা শুকখুম খুমদে। ফনা কুইনা ঙাইরে, নুপাদু ঙাইহাক অমুক লেপ্লম্মী, ঙাইহাক অমুক ফম্লম্মী, হৌগৎলগা অমুক চৎখি। অকোনবদদি মাগী ফম্ফমদা ফম্লরে।

মী ময়াম অমসু ঙাইনরিবনি। মথং মথং ঐগী মতাং য়ৌবদা ঐনা হংই বেঙ্ক ষ্টেটমেন্ট লৌবসে কমাই তৌবগে? এপ্লিকেসন অমা ইরকউ হায়রকই। ঐনা এ ফোর চেনা অমত্তা লৈগদ্রা হংবদা লৈতে হায়রকই। থংনবদা ফম্লীবদুসু লৈতে হায়, অতোপ্পা কাউন্টর অমদা হংবদসু লৈতে হায়। ঐসে ফজনা শাউনীংলে লৈনা-লৈনা লৈতে হায়বদুদা। নহানখৈদি ঐসে এ ফোর চেসি খরা পরগা চৎপনি। নুমিৎতুদি য়াওহৌদ্রে। ঐনা পুরিবা চেশিংদু মথৌ তাবা মীওইশিংদা অদুম পী। ঐনা মথৌ তারকপদদি শুপ্নগী চেনা অমফাওবা ফংদ্রবা।

অদুদগী মখাদা কুমথরগা ষ্টেস্নরি দুকান অমদা চৎলগা এ ফোর চে খরা লৈবা য়াগদ্রা হংবদা আদগী জেরোক্স দুকানসিদা চৎলু হায়রকই। ঐদি ঙসাইগী মীহুলদু ইহন হন্থদ্রিবনি। ঐনা পেকেটসি লৌরগে কয়ানো হংবদা লুপা ২২০নি হায়রকই। ঐনা চে পেকেটতু কোল্লগা বেঙ্ক মথক্তা অমুক কাখৎলক্লে। অদুদগী ফম্লগা পেকেটতুদগী চেনা অমা লৌথোক্লগা এপ্লিকেসনদু ইরে। ঐগী ইনাক্তা লৈশাবী অনী অমগা মবুংলা কনানোমগা একাউন্ট হাংনবা লৈরম্মী। মবুংদুনা লাক্লগা হায়রৈ বেঙ্কসিদা একাউন্ট লৈবা অমনা ইন্ত্রোদ্যুস তৌদ্রবদি য়ারোই হায় চৎলসি। ৱাদু তাবদা ঐনা ঐ তৌবিগে কৈনো হায়দুনা মখোয় অনীমক্কী তৌবিরে, মচিন-মনাওনি হায়। মখোয়না নুংঙাইবদুদা ঐসু কয়াদা নুংঙাইজখিবা। ঐনা মখোয়দসু ঐগী শাউনীংবগী ৱারীদু লীরে। মদুদা মখোয়না হায়রকই, মীনা ৱা হংবদা খুম্নংগুম-খুম্নীংদগুম তৌবনি। মীগী মতেং পাংবগী নুংঙাইবদু খঙদবা ময়ামসিনি ঐখোয়না ঙক্লিবা। নুমিৎতু মীসু য়াম্না কোম্লম্মী। নুংথিলগী থবক ৱারকপা মতমদুসু য়ৌদ্রি। য়াম্না স্মার্ট ওইনা লাক্লিবা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা অখঙ-খঙদা তাথোক-তাশিন তৌবা য়ারিবা পুং ১১.৩০ রোমদা তাবদা ঙাইরিবা মতমনি। নুমিৎতু বেঙ্ক ষ্টেটমেন্টপুদি লৌরক্লে অদুবু শাউনীং-শাউনীংনা য়ূমদা হল্লকখি।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি, ঐঙোন্দা থোকখিবা থৌদোক অসিগুম্না মতুংদা অমুক হন্না অতোপ্পা মীওইশিংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়জনীংই।

অদোমগী - ডা. নির্মলা রাজকুমারী
অহল্লুপ

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।